এডিটোরিয়েল

[illegible]

শাজিবুগী ২৪নি পানবা থাংজ, এপ্রিল ১১, ২০২৬

[illegible]

তৌনিংবতা তৌবনা য়ারোই

ঐখোয় মীকপ থোক্লসি, লুচিংবশিংসু তুম্বিরনু

অৰাৎপতনা থল্লবা, য়েংলু-য়েংলুবদা পেন্নিংঙাই ওইদ্রবা ষ্টেটনি, লৈতলায়ররে হায়দুনা কপতুনা অদুমক লৈরসিরা নৎত্রগা ঐখোয় কৈদৌশিগে? চাওখৎনবা অমদি অৰাৎপতনা পিক থল্লবা ইরমদম মণিপুর অসিগীদমক কনানা লাক্লগা হোৎনবিগদৌরি। ঐখোয় মশেল য়েংথিনরগা অদুমক ঙাইদুনা লৈখিসিরা! গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা ফংই অৰাৎপগী অৰাৎপা ঙাক্তা, লাক্লিবা পেসেন্টশিংগীদমক আই সী য়ু ফাওবা মতিক চানা থন্বা ঙমদে। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ মতিক চানা পিবসু ঙমদে। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদি মতোন থোক্লরে। য়েংশিনবিনবা কনা অমত্তা লৈতবগা পাঞ্চক ওইরে। পোং লিবদি লোইরে, অমুকতোইবা করি হায়রুনি লমদম অসিগী লুচিংবশিংগী মচৎ। ফম মুন্নবগী য়ুবি লাকপি শান্নরিঙৈদা মীচম প্রজাশিংদি লোইরে, হা কা লাউরে। ঙাঙবনা অকনবা শক্লবদি কুইররোই খুন্নাই অসি মুৎকদবা, মুৎপসু হৌরক্লেদনা। নুংঙাইনা পালহৌরো, লুচিংবশিং খক্তা লৈহৌরো। কয়াম কুইনা লুচিংবা ওইদুনা লৈবা ঙমগদগে য়েংবিয়ু। মীচম মীয়ামগী মথৌ তাবা মচাকশিং পিবা ঙমদ্রবা লৈঙাক লৈরুবগী করি ৰাহল্পোক লৈরি। মুক্লহৌরো, ফম মুন্নহৌরো, মীয়াম্না মীয়ামগী থোকপনি। অঙম-অঙম শেৎ শেৎতনা চান্নরা লোইরে। অয়েংবনা অদুমক নোকচসনু। শিগদবা পুন্সিনি, মানা-মানা থোকপনি হায়না খন্নরিবা খুন্নাই অদুবু চাওখৎপা অমদি লৈবাক মচা তাবা খুন্নাই অমনি হায়গদৌরিব্রা? লুচিংবশিংসু মশা-মশাগী খল্লি, মীচম মীয়ামসু লুচিংবশিংগী মতৌ অদুম তন্মি। কনানা ৰাৎতে, কনানা হেন্দে, চপ মান্নে। অদুবু চাওখৎলবা খুন্নাইশিংদা অমদি সিভিলাইজেসনশিংদা করি-করম্বা খুন্নাইরোল চৎনরি। লোয়ননা মফম অদুগী লুচিংবশিংনা মতৌ করন্না লৈবাক ঙাকই খঙজিনবদি কান্নগনি। খঙজিল্লবসু কান্নগদববু মান্দ্রেদা! য়াদা উম্না ইচাগী, কুৎ লাউবনা ঐগী হায়না খন্নরবা মতমনি। ৰাখল্লোল অসি ফাওবদা করিসু কায়দব্রা খল্লি। অদুবু লুরিবদি লমদম অসিগী লুচিংবশিংগী মমিৎ অনিমক উনা-উনা তাঙখিবা, শুপ্নগী শেলগী মনম খক্তা খঙলকপা, মনা অনিমক তানা-তানা পঙখিবা অসিনি। অদুগুম্বা লুচিংবশিংনা য়ামশিল্লকপা মতমদনি লৈবাক মাঙগদৌরিবসি। লৈবাক মাঙবদি হৌরবনি, পুমতুম তুমগদবা খক্তা ঙাইরে। পুমতুম তুম্বা ঙাইমিন্নখিসিরা? নৎত্রগা ঐখোয় কৈদৌশিগে? খন্নবগী মতম হেল্লে, তৌগদবা থবক তৌরসি। নৎত্রবদি তুং হন্না য়েংলুবদা ঐখোয়গীনি হায়বদা কনা অমত্তা লৈররোই। লৈশু লৈরক্তরে, শিবসু লেপতে, হাৎপসু লেপতে। অঙাং অনিদগী হেন্দবা ফজরবা প্লানিং মণিপুরদদি মরুওইনা মৈতৈ ফুরপকি ওইনা চাওনা মায় পাকপা হায়বদু ওইরে। য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মপুনা য়াম্না হরাউরল্লগনি। মদুগী মহয় ফংবসু হৌরে। চহী খরা লৈরগা অমুক্কা হেন্না চাউবা মহয় শোয়দনা ফংলগনি। মতম অসিগী লুচিংবশিং ঐখোয়গী পুৰারি নীংশিংবা চুমগনি। লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি তুংদা করি ওইরক্কদগে খন্থবিহৌ। খল্লগসু থবক ওইনা তৌদ্রবদি করিসু কান্নরোই। তুম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বদু মণিপুরদা চপচানা থোক্লবনি।

ইরমদম মণিপুর অসিদা য়েলহৌমীশিংনা চৎপা কিবা মফম কয়া অমা লৈরে। মসিরা সনালৈবাক হায়গদৌরিবসি, লমদম অসিগী নুপী ওইবি কয়াগী ইজৎ তেমশিন্নরকখ্রে। চিন্দদি নুপীবু অৰাংবা থাক্তা থল্লি। ইমা কৈথেল ঐখোয়না চাওথোকচৈ হায়না শক্ল-শোন্নরি। অদুবু মখোয়বু ঐখোয়না কদাই ফাওবা ঙাকপি শেনবিবা ঙল্লবগে? শিরগা অততাই তারবা লমদম অসিদা কনানা লৈবাক্কি কৎথোক্তুনা থবক তৌনিংগনি। কৎথোকপা মুক অপঙবা মী লৈরমদরে হৌজিক্কি মতমদা। পুকচেল চাউবা অমদি কৎথোকপা ঙম্বা মীওইবু মতম অমদদি য়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎনরম্মি। হৌজিক্তি খ্বাইদগী অপঙবা তারে। হুরানবা ঙাক্তা ঙাইরবা লৈবাক্তা হুরানবগী য়ৌদোক থোক্লকপদা কনানা বিচার তৌবিগনি হায়নরম্বা ইপা-ইপুশিংগী ৰাফম য়াম্না চুপ্লকখ্রে। তৌনিংবতা তৌবনা য়ারোই, করিগুম্বা খরা তৌরমসি। মীংচৎ উরাং খিল্লমসি, মদুনা পোকপগী মহয় য়ানবা হায়বদু ওইগনি। মীকপ থোক্লসি, লুচিংবশিং তুম্বিরগনু। মীকপ থোক্লকপদা মীচম মীয়াম লৈরমদ্রবদি চৌক্রিদুগী কান্নবা লৈগদৌরিব্রা? হায়বদি হায়নিংদে, মপু শারিবশিংসু মীনাইগী পুন্সি ওইরক্লোই হায়ননিংঙাই লৈতে। নঙগী নচা খক ফরগা য়ারোই। পূন্নমক ফমিন্নবা চঙই। মীৎ চেজেৎ উইশিল্লগা খন্থবিয়ু, মতম হেন্দ্রিঙৈদা।

ওথেলো সিন্দ্রোম: এ দেলুসনেল দিসওর্দর

(মতৈ মনাও অনীগী মরক্তা লমচৎ চুমদ্রে হায়না লান্না থাজবগী অনাবা)

দেলুসন হায়বসি করিনোঃ

দেলুসন হায়বসি য়াম্না শম্না হায়রবদা অচুম্বসু নত্তবদা অচুম্বনি হায়না লান্না থাজরগা লৈবগী মতৌবুনি। কা হেন্না চিংনবা পোকপা অমসুং চিংনরিবা অদু অচুম্বনি হায়না চপ য়ুংনা থাজববুসু দেলুসন হায়না খঙনৈ। খরা শাংতক্লা হায়রগনা '' দেলুসন হায়বসি কনাগুম্বা মীশক অমনা অশেংবা বেকগ্রাউন্দ অমসুং ফাউন্দেসন করিমত্তা লৈতবীদা মহাক্লা নীংলিবা অমসুং খল্লিবা ৰাখল নৎত্রগা স্বাভাব অদু অচুম্বনি হায়না চপ য়ুংনা শেমদোকপা অমসুং চুমথোকপা য়াদবমখৈ লান্না থাজরগা লৈবা ফিভম অমবু খঙনৈ। মহাক্লা থাজরিবা মতৌ অদু চৎনবী অমসুং সমাজগী মীৎয়েংদগীদি অচুম্বা ওইদে''। দেলুসন হায়বসিদি মীশক অদুখক্কী সংসারখক্তদা অচুম্বা ওইনা উজবনি, অচুম্বা ওইনা লৌজবনি, অদুবু খ্বায় পুন্নমক্কী ওইবা সংসারদদি মদু অচুম্বা নত্তে। Delusions are difined as the false fixed beliefs which are unshakable and cannot be corrected by an amount of reasoning, and also not in keeping with the culture of the sociery.

বিজার দেলুসনঃ

বিজার দেলুসন হায়বসি মীশক অমনা মহাক্লা থাজরিবা ৰাখল্লোন অমদি স্বভাব অদু খ্বায় ময়ামগী মীৎয়েংদগী য়েংলকপা মতমদা শুকওই ওইথোক্লরোইদবা ফিভমদা লৈরবা মখলগী দেলুসনবু খঙনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা ''ঐনা খল্লিবা ৰাখল অমদি তৌরিবা থবকশিং অসি অতোপ্পা মীনা রিমোট কন্ত্রোল শীজিন্নরগা তৌহনবনি, স্বর্গদগী পাইথরকপা শকখঙদবা জীব খরনা ঐগী ব্রেন অসি লৌথোক্লগা পুখ্রে, পৃথিবী অসি সনাগী পাত্রনা শুকশোয় শোয়দনা য়োমখ্রগনি... হায়বনচিংবা পনবা য়াই'' মসিদি কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লরোইদবা ৰাফম ঙাক্তনি। অদুবু মীশক অদুনদি অচুম্বনি হায়না থাজরিবনি।

নন-বিজার দেলুসন ঃ

মীশক অমনা লান্না ওইরবসু ওইথোকপা য়াবা মওংদদি লৈবা দেলুসনশিংবু নন-বিজার দেলুসন্স হায়রগা খহনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা'' মী খরনা ঐগী ফত্তবা ৰা ঙাঙনরে, পুলিসনা ঐবু ফাগদবগী কোইশেন শেন্নদুনা লৈরে, ঐগী নুপীনা অতোপ্পা নুপাশিংগা অরোনবা মরী থম্লরে, ঐগী হকচাং কয়াৎশিংদা মহিক খরা চঙশিল্লগা লৈরে ... ... অসিনচিংবশিং পনবা য়াই।'' হায়রিবা ৰাফমশিং অসি কনাগুম্বশিংগী রিএল লাইফতা অচুম্বা ওইনা থোকপা য়াবা ৰাফম ঙাক্তনি। অদুবু দেলুসন হায়বসিদি থোকসু থোক্তবদা, ওইসু ওইদবদা থোকই, ওই হায়না লান্না থাজদুনা লৈ হায়বনি।

সাইকোসিস হায়রগা করম্বা অনাববু খঙনবগে?ঃ

ৰাখল চোয়রগা নাবা অমদি খ্বায় ময়ামগী ওইবা নোর্মেল ওইবগী মতৌশিং অদুগী মহুত্তা এবনোর্মেল ওইরবা লমচৎ শাজৎ অমদি ৰাঙাং শাঙাংশিং লোয়নরগা নাবা অনাবশিংবু সাইকোসিস নৎত্রগা সাইকোটিক দিসওর্দরসনা নাবা হায়না খঙনৈ। মসিবু ঐখোয়না অঙাওবা নৎত্রগা অঙাওবী হায়না খঙনৈ। সাইকোসিসনা নারবা মীওইশিংগী মরু ওইবা লায়ওং মরি লৈ। মখোয়শিং অদুদি (১) দেলুসন হায়বদি অচুম্বসু নত্তবদা অচুম্বনি হায়না লান্না থাজরগা লৈবা, (২) হেল্লুসিনেসন হায়বদি লৈতবা খোঞ্জেলশিং নাকোংদা তাবা, লৈতবা পোৎ অমদি শক্তঅশিং মীৎতা উবা, (৩) দিসওরগনাইজ স্পিচ হায়বদি মরী মখোঙ শন্নদবা মওংদা ৰারী শাবা, ভাব মেন তাদবা মওংদা ৰা ঙাঙবা, হংবনা অমা খুম্বনা অমা তৌবা, (৪) দিসওর্গনাইজদ বিহেভিয়র্স হায়বদি য়েংবদা নাতে চাদবা অমদি নোর্মেল ওইদবা লমচৎ-শাজৎশিং তৌথোরকপা। খুদম ওইনা মচিন্দা মুরুম মুরুম শোনবা, মথন্তা নোকথোকপা, মথন্তা কপথোকপা, মীসু লৈতবদা মীগা ৰারী শান্নবা, মখূৎনা ৰারী শান্নবগী মওং তৌবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। হায়রিবা (১) দগীনা (৪) ফাওবদা উৎলিবা লায়ওং মরি অসিনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বা মীশক অমবু নোর্মেল ওইদ্রে এবনোর্মেল ওইরে হায়বসি তাক্লিবনি। সাইকোসিসনা নাবা হায়বসি এবনোর্মেল ওইবা অনাবা হায়বনি। মখোয় অসি ৰাখল চোইরগা নাবা অনাবা হায়বনি। অমরোমদা হায়রগনা ঙাওচৎনবা নৎত্রগনা ঙাওন-ফৈনা নাবা অনাবা হায়রগসু খঙনৈ। মরমদি মখোয়দা এবনোর্মেল ওইবা ৰাঙাং শাঙাং অমদি লমচৎ শাজৎ কয়ামরুম য়াওরি। সাইকোসিস নৎত্রগা সাইকোটিক দিসওর্দরশিং অসি সেভর মেন্টেল ইলনেস হায়রিবশিং অদুগী মনুং চল্লি।

দেলুসনেল দিসওর্দরস হায়বসি করিনো?ঃ

সাইকোটিক দিসওর্দরসকী মরক্তা দেলুসনেল দিসওর্দর হায়বসিসু অমনি। হায়রিবা অনাবা মখল অসিদদি হেল্লুনেসন, দিসওর্গনাইজ স্পিসেস অমসুং দিসওরগনাইজ বিহেভিয়র্সনচিংবা লায়ওংশিং অসি অমত্তা য়াওররোই। শম্না হায়রবদা এবনোর্মেল ওইবা লমচৎ শাজৎ অমদি ৰাঙাং শাঙাংশিং অমত্তা য়াওররোই। অদুম ওইনমক দেলুসন হায়বদি ৰাখলদা অমদি স্বভাবতা লান্না থাজবগী লায়ওং অদুমখক্তংদি লোয়নগনি। অসুম্না সাইকোসিসকী অতৈ লায়ওংশিংদি য়াওদনা শুপ্পগী দেলুসনগী লায়ওংশিং অসিখক্তং লোয়নরগা নাবা অনাবা মখল অমনি। ৰাখলখক্তদা লান্না থাজরগা লৈবা অদুগা এবনোর্মেল ওইবা ৰাঙাং শাঙাং, ফিজেৎ-চাকশেৎ অমদি লমচৎ শাজৎ অমত্তা য়াওদবনিনা কনা অমত্তনা মীশক অদুবু ঙাওরে হায়না লৌবা ঙমদে। মখোয় নোর্মেল ওইনা খ্বায়গা লৈমিন্নৈ। মতৌ অসুম্না কনাগুম্বা মীশক অমদা দেলুসন হায়বদি লান্না থাজবা হায়বা লায়ওং অসিখক্তমক লৈরগা অতৈ মথক্ত পঞ্জখ্রিবা লায়ওং অহুম অদুদি য়াওদনা নাবা অনাবা মখল অসিবু দেলুসনেল দিসওর্দরস হায়বদি লান্না থাজবগী অনাবা হায়না খঙনৈ। দেলুসনেল দিসওর্দর অসিসু সাইকোসিস মখল অমনি। মসিসু সেভর মেন্টেল দিসওর্দরসকী মনুং চল্লি।

ওথেলো সিন্দ্রোমঃ

ওথেলো সিন্দ্রোম নৎত্রগা দেলুসন ওফ ইনফিদেলিটি হায়বসিগী তোঙান তোঙানবা মমিং কয়ামরুম লৈ। খরদং পল্লবদা Delusion of Jealousy, Pathological Jealousy, Erotic Jealousy, Morbid Jealousy, Othello Pshychosis, Sexual Jealousy ... অসিনচিংবা কয়ানি। ইনফিদেলিটি হায়বসি য়ূম্বানমিন্নরিবা মতৈ মনাও অনীগী লমচৎ শাজত্তা অমকপা লৈরে হায়না চিংনবা অমসুং চিংনরিবা অদু অচুম্বনি হায়না থাজদুনা অয়াম্বা মতমদা মদুগা মরী লৈননা রিএক্ট তৌরকপগী মতৌ অমনি। তশেংবমক্কীদি মহাক্কী নুপী নৎত্রগা নুপা অদুগী পূন্সিদা অদুগুম্বা অমোৎপা লমচৎ শাজৎ অদু করিমত্তা লৈজবা নত্তে। অদুবু মোৎলবনি, লমচৎ কাল্লবনি হায়না অমনা অমদা অয়ৌবী থাক্ত চিংনবা অমসুং থাজরগা লৈবগী অনাবা মখল অসিবু দেলুসন ওফ ইনফিদেলিটি নৎত্রগা ওথোলো সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ।

ওথোলো সিন্দ্রোম নৎত্রগা দেলুসন ওফ ইনফিদেলিটিনা নারবা নুপা অমনা মাগী নুপীগী মরমদা চিংনবা ফাওরকপা অমদি লান্না থাজবগী লায়ওং মখল মথেল কয়ামরুম লৈবা য়াই। অদুগা শাথিনা থাজবগী থাক থাক কয়ামরুমসু লৈবা য়াই। মসিগী থাজনদবা মতৌ অসিবু মেরিলেট ইনফিদেলিটি হায়বদি লুহোংলবা নুপা-নুপীনা মখোয়গী পার্টনর অদুগী কেরেক্টরদা থাজরক্তবা হায়বনি। অসুম্না থাজনদবা অসি নমথাক তৌবিরে

– ডা. রোবিন্দ্রো খাঙেম্বম –
সেনিয়র সাইক্যাত্রিষ্ট, মণিপুর হেল্‌ঠ সার্ভিসেস

অমদি মীনম্বীরে হায়বা অতোপ্পশিংগা লোয়নবা অমদি অরোনবা সেক্সুয়েল রিলেসন্সিপ লৈনরে হায়বা অমদি অতোপ্পা অরোনবা পার্টনর অমগী ময়ূমদা লেক চাদুনা লৈরে হায়বনচিংবা ৰাখল্লোন কয়া অসিদা য়ূম্ফম ওইবা য়াই। অসুম্না চিংনবা অমদি লান্না থাজবা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা নুপা অমনা মাগী নুপীগী মথক্ত মরাল শিবা, জাৎ জাৎকী ৰাহং হংবা, অশাওবা উৎপা অমদি লাউ খোংদুনা ফুবা-চৈনবনচিংবা তৌরকপা য়াই।

মাগী নুপীগী খোঙথাং খ্বীদংমক্ত চিংনবা হৌরক্কনি। ফি-রোল অনানবা লিৎপা-শেৎপসু অতোপ্পা নুপা অদুগা উন্নবা চৎপগীনি হায়না চিংনবা হৌরক্কনি।

য়ুমদগী মপান থোক্তুনা চখোকখিবসু নুংশিনবা অরোনবা নুপা অদু উন্নবা চৎপনি হায়না খন্থল চাউবা তৌরক্কনি। দাইরেক্টলি নৎত্রগা ইন্দাইরেক্টলি মদুগা মরী লৈনবা ৰাহংশিং হংলক্কনি। টেলিফোন কোল লাকপদা অরোনবা নুপাশিংগী ফোননি হায়না চিংনগনি। মেসেজ লাকপা য়াওরবসু নুংশিনবা নুপাশিংনা থারকপনি হায়না লৌগনি। অহিংদা নৎত্রগা নুমিদাংদা ফোন লাকপসু নুংশিনবা নুপাগী ফোন ওইরমগনি হায়দুনা পংচিংদা চিংনগনি। শাওনিংবা পোক্কনি। মাগী নুপীগী টেলিফোন নম্বরশিং অমসুং মেসেজ ময়াম মথং মথং ফাক ফাক্তুনা য়েংলক্কনি।

মাগী নুপীনা য়ুমদগী হেক মপান থোকখিবদা কোয়শেন শেন্নবগী মতৌ য়াওশিল্লক্কনি। অতোপ্পা নুপা অমত্তংগা লন্বীদা ৰারী শান্নবা উবদা পংচিংদা চিংনগনি। পংশাওদা শাওগনি। নুপী অদুনা থৰায় তানা নোকচবা ফাওবা অতোপ্পা নুপাশিংবু শুক্লাৎনবনি হায়দুনা য়েংথিবা হৌরক্কনি।

অতোপ্পা নুপাশিংগা ৰাহৈ ৰাতাদা নুংশি নুংওনগী ঈ-পাউ ফাওনবতা নত্তনা ফিজিকেল রিলেসন্সিপ ফাওবা লোম্না লৈনরে হায়দুনা চার্জ তৌরকপা ফাওবা য়াই। নুপী অদুনা শেৎপা ফিরোল ফাওবদা মরী লৈনরিবা নুপা অদুগী সিমেন পকপরা হায়দুনা ফাক ফাক্তুনা য়েংবা ফাওবা তৌরকপা য়াই।

মসিদগী হেনবা তোঙান তোঙানবা মওংগী মরালশিং শি শিদুনা মহাক্কী নুপীগী খোংথাঙ খূদিং য়েংশিনবা, য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা হোৎনরকপা অমদি নুপা অদুগী মীৎয়েংগী ৰাংমা লান্না চৎখিদনবগী কন্ত্রোল তৌদুনা মাগী নুপীবু য়ুমখক্তদগী হেন্দোক্তনবা হোৎনরকপা য়াই।

নুপী অদুনা লোম্না মরী লৈনরিবা মীশক অদু মাগী মপুরোইবা অসিগী হেক মনাওনুপা অদুনি, মাগী ময়াম্বা হায়বদি নুপী অদুগীনা মতৈ, মখুরা নৎত্রগা মকুবোক্কি হায়বনচিংবা মীওই কয়াগী মশক মমিং পন্দুনা ফোঙদোরকপা য়াই। নৎত্রগনা মাগী নুপীনা লোম্না উনরিবা নুপা অদু মশক মমিং তাকউ হায়দুনা ওৎ-নৈবা তৌরকপা য়াই।

নুপাদুগী মমান্নবশিংগী মমিং পন্দুনা মখোয়শিং অদু মাগী নুপীগা অরোনবা থবক চখৈ হায়দুনা খুদোম্বী থিন থিন্দুনা শাওনা শাওনা ঙাঙলকপা য়াই।

নুপী অদুনা মাগী মপুরোইবনা তৌরিবা চার্জ ময়াম অদু অরানবনি, য়ূম্ফম য়াওদবনি, মহাত্তি অদুগুম্বা লমচৎ শাজৎ অমত্তা চৎপা লৈতে হায়জবদা মপুরোইবনা মৰা লৌবিরোই। হেন্নদুম শাওবা অমসুং ভাইওলেন্ট ওইরক্কনি। ওনশিন ওনশিন্দুনা ঙাওবা চৈবা তৌরক্কনি।

নুপা অদুগী ইমুং মনুংনা নৎত্রগনা কনাগুম্বশিংনা মাগী নুপীনা করম্বা মফমদা, কনাগী কাদা অমদি কদাইৰাইদা কনাগা ফিজিকেল রিলেসন্সিপ লৈমিন্নরম্বা থেঙনবনো হায়না হংবা মতমদা তশেংনমক থেঙনবদি নত্তবনিনা নুপাদুনা তশেং তশেংনা প্রমান অদুদি পীবা ঙমদে। অদুবু মওং অমা নৎত্রগা মওং অমগী ৰাফম পুথোক্তুনা মানা হায়রিবা ৰাফম অদু অচুম্বনি অমদি মহাক্কী নুপী অদু তশেংনমক্কী লমচৎ চুমদ্রবীনি হায়না শিখাং খাঙদুনা মরৈ য়েক্তুনা লৈগনি।

ওথেলো সিন্দ্রোমনা ওইহল্লকপা য়াবা ফলশিংঃ

১) করম্বা নুপীনা মাগী মপুরোইবনা মরমচৎ চুমদ্রে হায়না বদনাম তৌরকপা মতমদা কমদৌনা খাঙবা ঙমগদৌরিবনো? মী অতৈনা হায়রকপা ফাওবদা থম্মোই শোক্লিঙাই ওইরবা ৰাফম অসি মা মাগী মপুরোইবমক্লা হায়রকপা মতমদদি করি ওইফম থোকপগে? লাঞ্জবী, ইচম চম্না লৈজবী অমদি ধর্ম কায়জদবী অমবু অসিগুম্বা পাপকী মচাক ওইরবা, তাবদা হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা বদনামশিং অসিবু করম্না তুমিন্না লৈথোকপা ঙমগদৌরিবনো? অচুম্বা ৰাফম নত্তবনিনা রিএক্ট তৌরকপা তাবনি। খাংবা য়াবা খাংলবা মতুংদা মপুরোইবনা নুমিদাং খূদিংগী লেপ্পা লৈতনা চথরকপা এগ্রেসন অমদি ভাইওলেন্স অদুগী মায়োক্ত মহাক মরাল লৈতে হায়না কপ-লাউদুনা হঙ্গৎনা খুল্লকপা তাবনি।

২) নুপী অদুনা খুল্লিবমখৈ নুপা অদুনা হেন্না হেন্না ফত্তবা বদনাম তৌবিবা হেঞ্জিল্লক্কনি। নুপা অদুগী লৈখা তারকপা ফিভম খূদিংমক মাগী নুপীগী লুদবা লমচৎ অদুননি হায়না তাইশিনবিগনি। ইমুং তোয়না খৎনগনি, খাংবা ঙমদদুনা মপামদা তোয়না চৎকনি, মনেম-মকু অমদি শাগৈ-নাতৈগী মমাঙদা খাংঙমদবা ইকায়বগী পোৎলুম পুগনি। মাগী নুপানা লিশাং শিংনা ওৎপী-নৈবিবগী চৈনা খাঙদুনা লেনগনি। শিশুসিরা হায়বা ৰাখল তোয়না লাক্কনি। কপ্পগী লোয়বা নাইরোই।

৩) ওথেলো সিন্দ্রোমনা নারবা নুপা অদুনসু মাগী নুপীনা মরমচৎ ওক্তবা অমদি এক্সত্রামেন্টেল রিলেসন্সিপ নচিংবা অরোনবা শাজৎ কয়া চথবা অসিনা মাগী পূন্সি লৈখা তারে, মীমাঙ ফল্লেঅমদি নুপী ৰারকপা ঙমদবা নুপা ''আধা মোরা'' হায়বদা তারে হায়দুনা মথন্তা মরাল শিজৈ। পেন্দবা অমসুং শাওনিংবগী চাং নোংমা নোংমগী হেল্লকই। য়ু থকচিনবা অমদি নিশা চাশিনবা হেঞ্জিল্লি। য়ু থকচিল্লগা নুপীদা ফুবা চৈবা, নপামদা চৎখ্রো হায়বা অমদি শীজখ্রো হায়বনচিংবা তাবদা ৰারবা ৰাহৈ কয়ানা চৈশিনবী। হেন্না হেন্না বদনাম তৌবী। অমনা অমগী ৰা লৌনদে। ইংনা চিক্লা ঙাঙনবা য়ারক্তে। অশাওবনা মাঙওইনদুনা ইমুংগী শান্তি লৈরক্তে। অঙাংশিংগী পূন্সি কাং-খোং চায়রকই। য়ুম পানবগী অর্থ থোকচিল্লক্তে। খাঙবা ঙমদদুনা নুপানা মাগী নুপীবু মখূৎমক্লা হাৎলগে খল্লকই। অদুগা নুপীনা উপায় লৈতবদগী মশা মথন্তা অত্মাঘাত তৌখ্রগে হায়না খল্লকই।

৪) নুপী ময়ূমগী মমা-মপা অমদি মবুং-মৌপ্পাশিং লাক্তুনা নুপা অদুগা অমদি নুপা ময়ূমগী অহল লমনশিংগা কা হেনবা থাক্ত ৰা ঙাঙনরকই। য়াম্না তোয়না থেংখাং কয়ারক হন্না নাকল অনীনা নিঙাই শংদানবদগী নুপা নুপী খায়নবা য়াবগী থাক্ত লাকপা অমদি ৰায়েলশঙদা লিগেল প্রোসিদিং চত্থরকপা হায়বদি কেস তৌনবগী থাক ফাওবা লাকপা য়াই। মসিদগী ইমুং কাং-খোং চায়বা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

মমিং লৈরবা কবি ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রগী উপন্যাস ওথেলো হায়বদুদা ওথেলোনা মহাক্কী য়াম্নমক মরমচৎ ফজবী অমসুং রোয়েল ওইজবী নুপী দিসদেমোনাগী মথক্তা দেলুসন ওফ ইনফিদেলিটি হায়বদি মাগী নুপীগী কেরেক্টরদা লমচৎ চুমদ্রে হায়না খম থেংনা চিংনবা অমসুং থাজরুবদগী মরাল লৈজদ্রবী দেসদেমোনাবু মখৌরী মেত্তুনা হাৎখি। অদুবু কোন্নথংদা দোসদেমোনাগী মরাল লৈতে হায়বা খঙলকপদগী পেন্দবগী মৈচাক্লা মশা মতোমদা ওথোলোসু সুইসাইদ তৌদুনা শিজখি। ইংলিস সাইক্যাত্রিষ্ট ডা. জোন টোদ হায়বসিনা ওথোলোগী মতৌগুম্না সেক্সুয়েল জিলোসিনা নারবা নুপা নৎত্রগা নুপীশিংগী অনাবগী লায়ওংশিং অসিবু ওথোলো সিন্দ্রাম হায়না মমিং থোনখি। মতৌ অসুম তৌনা ঙসি ঐখোয়গী ইরকসিদা ওথোলো সিন্দ্রোমনা নারবা নুপা অমদি নুপী কয়ামরুম লৈরি। কনাগুম্বশিংনা মখোয়বু থেঙনবিরবদি য়ারিবমখৈ সাইক্যাত্রিষ্টকী মতেং থুনমক লৌবিয়ু। মসিনা অদোমগী টেন্সন, এঞ্জাইটি অমদি ফ্রষ্ট্রেসনশিংবু লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংগনি।

হকচাং নোইবা (মালিস)

–ডা. কে বসন্ত সিংহ

হকচাংগী করিগুম্বা মফম অমদা নুংঙাইতবা ফাওরকপদা খুৎনা ফংবা মফমদা ওইরগা খৎনা নান্থবা নৎত্রগা খোৎপা, তকপনচিংবা তৌনৈ। শা-উচেকশিংদা ফাওবা ঐখোয়না উবা ফংই। খুদম ওইনা ষণ-ইরোইনা মরেঙ তাকপা, মশাগী মরৈনা মচাশিংবু লেক লেক্তুনা নানবীবনচিংবা, য়েনবীনা মচীন্না মচাশিং নৎত্রগা মশাদা চীক্তুনা শেম্বীবা কয়া উই। পুন্নমক অসিনা হকচাং নুংঙাইহল্লি। অসুম্না মীওইবনা খুন্দা লৈতারকঙৈদগী হৌনা নানবীবা হকচাং নোইদুনা নুংঙাইনবা হোৎনবা অসিবু মালিশ কৌই। মাসাজ হায়রিবা ৰাহৈ অসিদি গ্রীককী ৰাহৈ 'মাসো' হায়বদগী লৌরকপনি, মসিগী অর্থদি নোইবীবা হায়বনি। মমাঙঙৈগী হিন্দুশিংগী লাইরিক অয়ুর্বেদদসু নীংথিনা শুগাইনা ইবিরম্মী। তোঙান তোঙানবা মওংদা হকচাং নোইবগী মওং তাকপীরম্মী, য়ুরোপলোমদসু মমাঙঙৈদগী গ্রীক অমদি রোমানশিংনা মালিস তৌবা চৎনরকই। মমাঙঙৈগী অকন অথৌশিংনা শা তাল্লুবা নৎত্রগা লান হল্লক্লবা মতমদা য়ুমগী লোয়নবীশিংনা, মরুপ মপাংশিং নৎত্রগা মীনাইশিংদা চোকথরবা হকচাংদু মালিস নীংথিনা তৌহন্দুনা অমুক হন্না তেখৎহল্লম্মী অমদি লান্দা শোক্লবশিংবু হিদাক লাংথক তৌবিগা লোয়ননা নীংথিনা মালিস তৌবিদুনা হকচাং সেবা তৌবিদুনা থুনা ফগৎনবসু হোৎনরম্মী। নিয়ম অমগী মখাদা হকচাং নোইবীবা মওং অসি হৌজিক্কী মতমদা মফম কয়াদসু তৌনরক্লি। শম ককফমদা শম ককপিবগা লোয়ননা মালিস তৌবিদুনা হেন্না নুংঙাইহন্নবা হোৎনবা, অচৌবা মীথুংশঙ নৎত্রগা হোটেল অচৌবশিংদা অতিথিনা সেবা তৌবগী মওংদা মালিস তৌবা য়াওনরক্লে। খুল্লক্তা অরিবা অনাবশিং মরুওইনা পঙথবা, শিথবা তৌবশিংনা মরি পায়বা হৈবা নৎত্রগা মালিস হৈবা থিদুনা ময়ুমদা কৌদুনা তৌনরি। অচৌবা সহরশিংদা মালিস তৌফম সেন্তর নৎত্রগা হোস্পটালদা হাংবসু লৈরে।

নিয়ম চুম্না তৌরবদি মালিস তৌবনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীরি। ঈগী ঈচেল চাং হেন্না চেলহনদুনা শাজেল শান্নবা ফংদ্রবা নৎত্রগা ঙমদ্রবশিংগী ঈ শেংনা থন্বদদা মতেং পীরি। চীকপা-নাবা, তঙদুনা লৈবা অপোমবা কয়া মালিস তৌবনা ফহনবা ঙম্মী, খোঙ হাম্বা লীকপা, চাবা থকপা, তুমগন্দবা নীংথিনা ফহল্লি। মরুওইনা হকচাংগী তোংশা শেমগৎপদা মালিস তৌবনা য়াম্না কান্নহল্লি।

হৌজিক্কী মতমদা বিজ্ঞাননিকশিংনা চাংয়েং কয়াদগী খঙবা ঙল্লে মদুদি মালিস তৌবগী তোঙান তোঙানবা কান্নবা কয়া পী। উনশাদা, মশলদা,ঈ অমদি ঈ উতোংশিং, শিংলি নাউরি, কোক্কী থোপ্তা ন্যাট্রেসন হেন্না পীবা ঙম্মী। লোয়ননা মনুংদা লৈরিবা হকচাং কয়াৎশিংদসু ঈচেল হেনগৎহন্দুনা নীংথিনা মথৌ তৌহল্লি। উনশা অমদি তোংশাশিংগী অনোপ অতিং শান্নবদা হেন্না নুংঙাইহল্লি, মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লি, চোকথবা লৈহন্দে। শান্নবদা থবক শুবদগী নৎত্রগসু নাবদগী হকচাংগী মশল তোংশাং শিং চোকথরবা মতমদা মালিস তৌবিদুনা মপাঙ্গল হেনগৎহনবা ঙম্মী।

হকচাংগী মফম অমদা নৎত্রগা পুম্নমক্তা মালিস তৌবনা হকচাংগী মনুং অমসুং মপানগী কয়াৎ কয়াদা কান্নবা পী। খুবাক, খুয়া, কোক্লুচিংবা শিংলিগী মরি লৈনবা মফম কয়াদা মালিস তৌবনা অতৈ অতৈ মরি লৈনবা হকচাং কয়াৎ ফাওবা কান্নবা ফংবা ঙম্মী, মসিবু একুপ্রেসর পোইন্ট হায়নসু খঙনৈ।

মালিস তৌবদা কান্নবা কয়া লৈরগসু হৈতবা মী অমনা তৌবদা কান্নবা ফংবগী মহুৎতা হেন্না শোকচিনবা, নুংঙাইহন্দবা ওইরকপসু য়াই। নীংথিনা তমদবা মীওইনা শেল ফংনিংবদগী ঙাইহাক্তংগী নুংঙাইনবা নৎত্রগা পেন্ননবা কন্না কন্না নম্বীদুনা নুংঙাইহল্লগা হেঞ্জিনখিবদগী মমৈদা হেন্না শোকচিনখিবা অনাবা কয়ামরমুসু হেনগৎলক্লি। কনাগুম্বা খরনা, অহৈবদা হায়রবদি পৈশা য়াম্না লৌই খন্দুনা য়ুমগী মীওইদা নৎত্রগা নীংথিনা তমদবা মীওই থিদুনা মালিস তৌহনবদগী অনাবা হেঞ্জিনখিবসু কয়ানি।

মরম অসিনা মালিস তৌবা নৎত্রগা মসিনা শীনফম অমা ওইনা পূন্সিগী ওইনা লৈরগে খনবিবশিংনা হকচচাং মনুংদা কদায়দা করম্বা হকচাং কয়াৎশিং লৈ, অরুম্বা শিংলিনা করম্না কদায়দগী হৌরগা কদোমদা চৎলি হায়বনচিংবা খঙনবা খরা কুপ্পা থিজিনগদবনি। নত্তদনা চুম্না কনবা নুংঙাইনবনি হায়দুনা মালিস তৌশিল্লুরবদি হেন্না নুংঙাইরক্তবসু য়াই।

চুম্নগী খঙবা নত্তনা মালিস তৌবা মীওইনা চেনগদবা গুন খরসু লৈ। ১. মশা শেংনা ফবা, ২. ইং তপ্পগা লোয়ননা নিশা চাদবা, ৩. মীনুংশি চাউবগা লোয়ননা মীবু হঙ্গোইহন্দবা, মশানসু অতোপ্পবু কোইদনা লোয়ননা হৈগদবনি।

অনাববু মহাক্কী অতিথিগুম্না সেবা তৌবিবা ঙম্বা গুন চেনগদবনি। য়েংবদা নুংঙাইনা লৈগদবনি, মতম অয়াম্বদা ৰারবু খাঙবা, শাউগন্দবা তমগদবনি, হকচাং শেংনা ঈরুজদুনা তরু তরুনা থমগনি, খুজিন, শম নীংথিনা ককথৎকনি নৎত্রদি সেবা ফংলিবদু নুংঙাইফম খঙলোই। মদুগী মহুৎতা হেন্না ফৎলক্তবসু ওইরকপা য়াই। পূক্লিং ইং তপ্পগা লোয়ননা অফবা চীঞ্জাক চাদুনা যোগশন শান্নদুনা হকচাং য়োকখৎকদবনি। অনাবা সেবা তৌবদা ঈশ্বরগী সেবা তৌবনি খনগদবনি। নারিবা মীদুগী পূক্লিং ইহুল খঙদোক্কদবনি। শেলগীদমক য়েংদুনা হেক্তা তৌশিল্লোইদবনি। ইশাগী খুৎশিনা ব্রাহ্মামক্লা ফংবা ঙমদ্রবা মীওইবগী হকচাংবু মোরামোৎ তৌগদৌরিবনি। মদুদা চঙলিবা হকচাংগী জিবনি শক্তি, লমজেল চেনবদা, য়োৎ থাঙ্গৎপদা চঙবগুম্না ৰাবা নত্তে, অমরোমদা অনাবগী সেবানি, ইশাসু ফনবা শাজেলনি খল্লবদি অৰাবা খাঙবদু ঙল্লক্কনি।

মালিস (মসাজ) শাজেল, শন্নপ্পা হৌরকপগী ৰারী:

মালিস তৌবগী মওং অমদি হকচাং শাজেল শান্নবা হায়বা অনী অসি মীহৌরোলদগী হৌনা হকচাং ফনা থম্নবগীদমক চৎনরকই। খৃষ্ট চহী ৩০০০গী মমাঙদগী হৌনা চীনাদা চৎনরকই। ভারত্তসু মৈহৌরোলগী মতমদগী অসিগুম্বা শাজেলশিং অসি চৎনরকই। জপান, গ্রিক, ইজিপ, টর্কি, রোমনচিংবা লৈবাক কয়াদা মালিস অমদি শজেল কয়া শান্নদুনা অকন অথৌ কয়া থোরকপদা নত্তনা নুপা-নুপী খায়দনা হকচাং ফনা থম্নবা ওইনা চাং নাইনা শান্নরম্মী। গ্রিকশিংনা মতম অমদদা শান্নবা অমদি অকন অথৌগী মরমদা ত্রোইগী হেলেননা ফাওরম্বা কয়া অসি মালিস অমদি শাজেলগী মপালননি। মসিদা নত্তনা লায়না কয়াগী লায়েংবা মতমদা হায়বদি তাং দা নাবা (অর্থাইটিস), পংথবা (পেরালাইস), শিংলিগী লায়না কোকচিংকপনচিংবা লায়না কয়াদা মালিস তৌদুনা লায়েংনবগী ৰারী থেংনৈ।

চাউরাক্লা চহী ২০০ রোমগী মমাঙদা স্কানদিনেভিয়া অমদি জর্মনিশিংনা বিজ্ঞানিক ওইবা মওংদা কুপ্না থিজিনবদগী মালিস অসি বিজ্ঞানিক মনিপুলেসন হায়না খঙন্দুনা হকচাংগী তোংশাশিং ফজনা লৈন্নবা লায়য়েং ওইনা খঙনরে। খৃষ্ট ১৮৬০দা ডা. মেজর অমেস্ট্রেদোন মালিস অসি হেন্না ফজবা মওংদা শেমদোক্লম্মী। অদুগী ইংগ্রাজিদা মাজাস হায়বা অসি গ্রিককী তু নিদ হায়বা আর্বিক ৰাহৈগী তপ্পা হকচাং নম্বীবা (তু প্রেস সোফলি) তক্লবা ফ্রান্স লোনগী মেসর হায়বদি তু রব হায়রিবা ৰাশৈং অসিদগী লাকপনি হায়না লৌনৈ।

বিজ্ঞানিক ওইবা মওংদা খুৎনা মালিস তৌবা অসিনা মখল কয়াগী লায়য়েংবদা শীজিন্নবা য়াই। চাং নাইনা শান্নবা শাজেলশিংনা হকচাংবু লায়না কয়াদগী কনবা ঙমহল্লি। মসিনা হকচাংগী তাংশিংবু অমদি মসলশিংগী মতেংনা হকচাংগী মরুওসবা কয়াৎ পুম্বা নীংথিজনা মথৌ তৌই। লায়না কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙমহল্লি। মরম অসিনা হকচাংগী মখল মখাগী লায়নাশিংদা মওং চুম্না চাং নাইনা শাজেল শান্নদুনা হকচাংগী ফিভম শোয়বা কয়াসু অমুক চুমথোকই।